**TDC Odd Semester Exam., 2020**
**held in July, 2021**

# MANIPURI

( Honours )

**( 1st Semester )**

Course No. : MANH–101

**( Poetry—I )**

*Full Marks* : 50
*Pass Marks* : 17

*Time* : 2 hours

*The figures in the margin indicate full marks for the questions*

১। য়াওফম মরী-মখোঙ তাক্কুনা শন্দোক্লা ইয়ু : ১০

“কনানো শকহেনবা মীগী তোর্ব্বান্দা লেপ্তুনা,
ঈরুজগে থৌরাংলিবা, খৌরাংবা মীৎয়েংনা য়েংদুনা?
ইরৈপাক্তসু তুরেল লৈ, ঈচেল কংখ্রে খল্লিবদু,
তৌদুনা য়েংশি অমুক্তা, য়েংশি থোরকপা লাইজদু;
লূরবা লাইজ ফংগনি, ঈরুজরবদি ঈশিংদুদা,
ঈংগনি পূক্লিং হকচাং, কয়া নুংঙাইগবা পূক্লিংদা।”





*নৎত্রগা*

“ঙসিদি ঐখোয় গোপীনি
মল্লবা থাশি অহীংগী
লৈতে কৃষ্ণ য়াওদে রাধারাণী
লাকখিগদ্রা কৃষ্ণদো অমুক
য়োৎশিনখ্রবদা বকাসুরনা
মায়থীখ্রবনি কংসগী মখুত্তা।”

২। (ক) “কাঞ্চিপুরগী অৱাবা পাউবু পুখিদুনা,
অহিং নুংথিল নাইদনা,
চেম্হরি অমম্বা-সমদ্রু তম্না।”

‘কাঞ্চিপুরগী অৱাবা পাউ’ হায়বসিনা করি খঙহনবগে? ৩

(খ) চন্দ্রনদীগী ঈচেলবু করিগীদমক ‘চেম্হরি অমম্বা-সমদ্রু তম্না’ হায়রিবা করিগীনো? শন্দোক্লা ইয়ু। ৭

**নৎত্রগা**

৩। (ক) “খঙদে
করম্বা কৃষ্ণগী আশাদনো
ঐখোয়না ঙাইরিবা
তল্লবা জগোইসি শার শারদুনা।”

কবি ইবোমচানা খঙহননিংলিবা কৃষ্ণগী অর্থ করিনো? ৩

(খ) পরেংশিং অসিদা কবিগী নীংবা কায়বগী করম্বা শক্তম উবা ফঙবগে? শন্দোক্লা তাকউ। ৭

৪। (ক) ‘‘চীংঙু খোইমোম লাইনিংথৌ
ইনুং ঙাল্লে যাওল্লো,
হাওরৈ নোংপোক পাংবদা
সনা চীংদোম পোক্তগী
মশেক মঙাল লোয়ননা
মঙাং গুরু চকৱায়রে,
কোরৌ নোংদোন ঙাল্লক্লে।’’

‘মঙাং গুরু’ হায়রগা কনাবু খঙহনবগে? ৩

(খ) ‘য়াকৈবা’ কৌবা শৈরেংগী মতুং ইন্না মমাংঙৈদা নিংথৌনা তুম্বদগী হৌগৎপদা মতৌ করম্না য়াকায়বগে শন্দোক্না তাকউ। ৭

**নৎত্রগা**

৫। (ক) ‘‘কৈদনো অদুক খঞ্জানরিবা?
লৈনম্না লৈকাই শাৎলবদা
খোইমু খোইরেন ইল্লবদা
অমুক কৈদনো!’’

কনানা কনাদা হায়রিবনো? ৩

(খ) ‘লৈনম্না লৈকাই শাৎলবদা’ হায়বা ৱাফম অসি কয়ামুক চুম্বগে শৈরেংগা মরী থমদুনা শন্দোক্না ইরকউ। ৭

৬। (ক) ‘‘ঈনা লৌখোং চেনবা
মীশানা লৈখোম থোকপা
লাঞ্জাও কয়া থেংনরি।’’

‘ঈনা লৌখোং চেনবা’ হায়বসিনা করি খঙহনবগে? ৩

(খ) ‘লাঞ্জাও কয়া থেংনরি’ হায়বসিনা করম্বা লাঞ্জাও থেংনবগী ৱাফমনো? শন্দোক্না ইয়ু। ৭





**নৎত্রগা**

৭। (ক) ‘‘মীওইবগী থম্মোয়দা লৈরিবা
তমথিবগী ৱাখলসিমদি
ঙমদ্রি মূথৎপা ঙসিফাওবা,—’’

‘মীওইবগী থম্মোয়দা লৈরিবা তমখিবা ৱাখল’ হায়বসিনা করি তাকপগে? ৩

(খ) ‘সভ্যতাগী ফুম’ হায়বা শৈরেং অসিগী মিংথোলসিনা কবিনা করি ফোংদোকপা পামলিবনো হায়বদু নশাগী লোন্দা ইরকউ। ৭

৮। অৱাবা অমদি নীংবা কায়বা মরক্তা নুংঙাইবা অমদি আশাগী পাউজেল পীরিবা কবি কমলগী ৱাখল্লোন ‘চন্দ্রনদী’ শৈরেংদা য়ুম্ফম ওইদুনা নৈনৌ। ১০

**নৎত্রগা**

৯। ‘নিংথৌখোংগী চন্দ্রসখী’ হায়বা শৈরেংদা কবি নীলকান্তনা ফোঙদোকপা পামলিবা ৱাফমদু নশাগী লোন্দা ইয়ু। ১০

★ ★ ★